# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নুমীৎ নীনিগী চাইনা খোঙচৎ লোইদুনা ইন্দিয়া মায়কৈ পাংলকখ্রে

রুহান, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সি):
চাইনিজ প্রসিদেন্ট জি জিনপিংগা রুহান সিটিদা নুমীৎ নীনি ৱারী শানরম্লবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ইন্দিয়া মায়কৈ পাংলকখ্রে।

শগোলশেন নুমীৎতা মোদিনা চাইনাদা থুংলখিবগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নবগী মতাংদা চাইনিজ প্রসিদেন্টকা ৱারী শানখিবনি। দোক্লামদা নুমীৎ ৭৩ মুক্নবগী থৌদোক থোকখ্রবা মতুংদা অমুক হন্না অফবা মরী পুরক্নবগী মতাংদা লুচিংবা অনীনা হিরম কয়াদা কুপ্না ৱারী শানখি।

জুন ৯ অমদি ১০ দসু শংহাই কোওপরেসন ওর্গনাইজেসন (এস সী ও) গী মীফম য়াওনবগীদমক মোদিনা চাইনাদা অমুক চৎকদৌরি। চাইনিজ ভাইস ফোরেন মিনিষ্টর কোং জুৱানয়ু অমদি ইন্দিয়াগী চাইনিজ এম্বেসেদর ওইনা লৈবা লুও জাওহুইনা প্রাইম মিনিষ্টরবু এয়রপোর্ট ফাওবা থিন্দোরকখি।

ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী ঙমখৈদা ঈং-তপ্পা ফীভম লৈহন্নবগী মতাংদা লুচিংবা অনীনা মখোয় মখোয়গী লান্মীশিংদা অখন্নবা কাঙলোন খরা ঙাক্না চৎহনগদৌরি। লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নবগী মতাংদা খ্বাইদগী মরুওইবা মচাক ওইরিবা মরম্না ঙমখৈদা ঈং-তপ্পা পুরক্নবা থৌরাং লৌখৎলকপনি হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়রসনা ফোঙদোকখি।

ফোরেন সেক্রেটরি বিজয় কেসব গোখলেনা হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর মোদি অমসুং প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা মশা মশাগী লান্মীশিংদা মরুওইবা কাঙলোন খরা ঙাক্না চৎহল্লগনি। শেল-থুমগী মতাংদা গোখলেনা হায়খি, লৈবাক অনী চাউখৎহনবদা অমনা অমগী মতেং পাংননবা প্রাইম মিনিষ্টর মোদি অমসুং প্রসিদেন্ট জিনপিংনা য়ানবা পুরক্লে।

মোদিগা উনরবা মতুংদা চাইনিজ প্রসিদেন্ট জি জিনপিংনা হায়খি মদুদি, মালেমদা ঈং-তপ্পা পুরকপগা লোয়ননা চাউখৎ থৌরাং কয়া লৌখৎপদা চাইনা অমসুং ইন্দিয়ানা মরুওইবা থৌদাং লৌরগনি। রুহান সিটিদা নুমীৎ নীনি চুপ্পা লুচিংবা অনী ৱারী শানরবা মতুংদা প্রসিদেন্টনা হায়খি, মালেমদা ঈং-তপ্পা পুরক্নবগীদমক য়ুম্লোন্নরিবা ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী মরী ফগৎহনবা তঙাইফদে। হিরম খুদিংমক্তা চাইনা অমদি ইন্দিয়ানা চপ মান্নবা মওংদা শিংনবা কয়া মায়োক্নরিবা মরম্না য়ুম্লোন্নবা লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্দুনা নাকল অনীমক্তা কান্নবা ফংগদবা থৌরাং কয়া পুন্না লৌখৎমিন্নবা মথৌ তাই। নোংচুপ লৈবাকশিং, মরুওইনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা মালেমদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিং য়েংলগা ইন্দিয়া অমদি চাইনাগী মরী ফগৎহনবা য়াম্না তঙাইফদে হায়না জি জিনপিংনা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনা ফোঙদোরকখি।

মহাক্না হায়খি, মালেমগী হোংল-ক্লিবা ফীভম অসিগা চান্নগদবা মওংদা লৈবাক অনীনা অনৌবা ফোরেন পোলিসী অমা শেমগৎ-শাগৎপগী থৌরাং কয়া পায়খৎমিন্নগদবনি। মালেমগী ওইবা হিরম কয়াদা চাইনা অমদি ইন্দিয়াগী ৱাখল্লোন চপ মান্নে। লৈবাক মশেলগী মরক্তা মরী থম্নবা মতমদা অমনা অমবু ঈকায় খুম্নগদবনি হায়বা ৱাফম অসিদা ন্যু দিল্লি অমদি বৈজিংনা চেৎনা থাজবা থম্মী।

কুমজা ১৯৫০ গী পরিংদা ইন্দিয়া অমসুং চাইনানা মালেমদা ঈং-তপ্পা পুরক্নবগী মতাংদা মরুওইবা ৱাফম মঙাদা য়ুম্ফম ওইরগা লৌখিবা ৱারেপশিং থবক্তা ওন্থোকপা মতম ওইরে হায়নসু চাইনিজ প্রসিদেন্টনা ফোঙদোকখি।

মোদি অমসুং জিনপিংনা ইন্দিয়া-চাইনাগী মরী ফগৎহন্নবগী মতাংদা তোঙান তোঙানবা হিরমশিং খন্নদুনা ৱারী শানখিবগা লোয়ননা মমাঙ চহীদা নুমীৎ ৭৩ চুপ্পা দোক্লামদা লৈবাক অনীগী লান্মীশিং মুক্নবগী থৌদোক থোকখিবনা মরম ওইরগা শোকচিল্লুরবা মরী অমুক হন্না ফগৎহন্নবা ৱারেপ লৌখি।



# ম্যান্মার আর্মি, লালহৌবশিং খুৎ থোক্লরকপদগী মীওই কয়া চেন্নখ্রে



য়াঙ্গোন, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সি):
অৱাংথংবা ম্যান্মারদা লালহৌবা অমসুং আর্মিগী মরক্তা নৌনা খুৎ থোক্লরকপদগী মীওই লিশিং কয়ামরুম ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা চেন্নখ্রে।

য়ুনাইটেদ নেসন্সকী ওফিস ফোর দ কোওর্দিনেসন ওফ হ্যুমেনিটেরিয়ন এফেয়রসকী মকোক মার্ক কটসনা এজেন্সীদা হায়খি, চাইনাগা লোন্নবা কাচিন ষ্টেটতা হৌখিবা চয়োল অহুল্লোন অকনবা মওংদা খুৎ থোক্লরকপদগী মীওই লিশিং ৪ হেন্না লাঞ্জেন্নখ্রে। চহী অসিগী হৌগৎল-কপদা মীওই লিশিং ১৫ রোম কাচিন ষ্টেটতগী চেনখ্রবনি।

কুমজা ২০১১ দা কাচিন ইন্দিপেন্দন্স আর্মি (কে আই এ) অমসুং গভর্ণমেন্টকী মরক্তা চৎনরকখিবা সিজফায়রগী কাঙলোন মখা তানা চৎনখিদ্রবা মতুংদা মীওই কয়া মফম অদু থাদোক্তুনা চেন্নখিবনি।

হৌজিকসু মফম অদুদা মীচম কয়ামরুম চেন্থোরকপা ঙমদনা লৈরি হায়বা রিপোর্ট ফংলে হায়না মার্ক কটসনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মীরোনবী নুপী, চহী য়াম্লবা অহল, পীক্লিবা অঙাং অমদি ফীভম শোয়নাইরবা মীওইশিং খুদোংথিবা নংহন্দনা মফম অদুদগী হোন্দোরক্নবা হোৎনরি। কনফার্ম তৌদ্রিবা রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না নাকল অনী খুৎ থোক্নবদা মীচম কয়ামরুম শিরে হায়রি।

হিরম অসিগী মতাংদা ম্যান্মার গভর্ণমেন্টকী স্পোক্সমেন অমগী কম্মেন্দ লৌনবা হোৎনবদা ফংখিদে। রোহিঞ্জা মুস্লিমশিংগী অচৌবা ৱাথোক অমা থোক্লিবা ম্যান্মারদা কে আই এ অমসুং আর্মিগী মরক্তা নৌনা খুৎ থোক্নরকপনা অতোপ্পা পোৎলম অমগা অমুক থোনগৎলে হায়না য়ু এনগী ওফিসলনা ফোঙদোকখি।

কাচিন ষ্টেটতা খুন্দারিবা খৃষ্টিয়ন লাইনিং চৎপা মীওইশিংনা ম্যান্মারদগী তোখায় তানবা লান হৌদুনা লাকখিবনি। কুমজা ২০১৬ তা ওং সান সু চিনা লৈঙাক পায়খিবা মতমদা ঈং-তপ্পা পুরক্নবা হোৎনবনা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌদাং ওইগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবসু ম্যান্মার আর্মিনা কে আই এগী লালহৌবশিং তকথোক্নবা হোৎনরুবদগী নাকল অনী অকনবা মওংদা খুৎ থোক্নরকখিবনি।

# ইন্দিয়ন ৮ য়াওনা নুপী ৬০ না মাউন্ট এভরেষ্ট চীংদোল লোম্নবগী অয়াবা ফংলে



কাঠমন্দু, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সি):
চহী অসিগী ওইনা ইন্দিয়ন নিপান য়াওনা নুপী ৬০ না মাউন্ট এভরেষ্টকী চীংদোল লোম্নবগী মতাংদা অয়াবা ফংখ্রে।

নেপালগী দিপার্টমেন্ট ওফ টুরিজমনা হায়খি মদুদি, মমাঙ চহীদা নুপী ৫৯ না চীংদোল লোম্নবগী অয়াবা ফংখি অদুবু শুপ্নগী নুপী ৩৩ না মালেমগী খ্বাইদগী ৱাংবা চীংদোল য়ৌনা কাবা ঙমখি। হন্দক চহীগী ওইনদি চীংদোল লোম্নবগী মতাংদা নুপী কয়াসু থোরকপা য়ারি হায়না দিপার্টমেন্ট ওফ টুরিজমগী অন্দর সেক্রেটরি রাম প্রসাদ সাপকোটানা এজেন্সীদা ফোঙদোকখ্রে।

হৌখিবা শগোলশেন নুমীৎ ফাওবদা চীংকারোয় ৩৪৬ না চহী অসিগী ওইনা মাউন্ট এভরেষ্ট চীংদোল লোম্নবগী মতাংদা অয়াবা লৌখ্রে হায়না দিপার্টমেন্ট ওফ টুরিজমনা ফোঙদোকখি। হন্দক চহীগী ওইনা নেপালগী মীওই ১৫ চীংদোল লোমগদৌরি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী ৯, ইন্দিয়াগী ৮, চাইনাগী ৭ অমদি বৃটেনগী নুপী ৪ সু হন্দক চহী অসিদা মাউন্ট এভরেষ্ট চীংদোল লোমগদৌরি।

হন্দক মরক মাউন্ট এভরেষ্ট চীংদোল লোম্নবগী মতাংদা নুপী কয়া থোরক্লে হায়না নেপাল মাউন্টেনিয়ারিং এসোসিএসন (এন এম এ) না ফোঙদোকখি। কুমজা ১৯৭৫ দা জপানগী জুনকো টাবৈনা মাউন্ট এভরেষ্ট চীংদোল লোম্বা মালেমগী অহানবা নুপী ওইখি। হৌজিক ফাওবদা চীংদোল লোমখিবা নুপী ৩৫৬ শুরে।

# সাউদি অরাবিয়ানা নোংথক্তগী এটেক চথবদা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী লুচিংবা, য়েমেনগী রেবেল লুচিংবশিং শিরে : রিপোর্ট

সানা, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সি):
খা থংবা য়েমেনদা গভর্ণমেন্টনা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপকী মকোক থোংবা লুচিংবা অমা হাৎখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা অহুম ফারে হায়না ওফিসল রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

অদেন অমদি অবিয়ান রিজনদা ইস্লামিক ষ্টেটকী লুচিংবা ওইনা লৈরিবা সালেহ নাসর ফাদল অল-বক্সিবু নোংথক্তগী এটেক চথদুনা হাৎখিবনি। কুমজা ২০১৫ দা সিয়াইট হুথি লালহৌবশিং তকথোকখ্রবা মতুংদা ইস্লামিক ষ্টেট অমসুং অল কায়দা ইন অরাবিয়ান পেনিনসুলাগী লালহৌব-শিং খা থংবা য়েমেনদা চঙলকখিবনি।

মফম অদুদা য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটসনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটকী মতেং লৌরগা কয়ারক হন্না নোংথক্তগী এটেক চথদুনা লাকখি।



য়েমেনগী লানদা হৌজিক ফাওবদা চাউরাক্না মীওই লিশিং ১০ রোম হেন্না শিখ্রে। ওইরক্লিবা ফীভম অসি মালেমগী ওইনা খ্বাইদগী খুদোং-থিনিংঙাই ওইবা হ্যুমেনিটেরিয়ন ক্রাইসিসনি হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ফোঙদোকখি।

য়েমেনগী কোনুংদা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংবা মিলিটরি কোলিসন্না নোংথক্তগী এটেক চথবদা মকোক থোংবা কম্মান্দর অনী য়াওনা হুথি লালহৌবা কয়ামরুম শিখি। সাউদি অরাবিয়াগী অল-এখবারিয়া টেলি-ভিজন্না হায়খি, কেপিটেল সিটি সানাদা মকোক থোংবা লুচিংবা অনী য়াওনা হুথি লালহৌবা ৫০ রোম শিখি। হুথিগী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী বিল্ডিংদা চথখিবা অতোপ্পা এটেক অমদনা লালহৌবা ৩৮ শিখি হায়না অল-অরাবিয়া টেলিভিজনগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

মমাঙ চয়োলদা সাউদি অরাবিয়ানা লুচিংলগা নোংথক্তগী এটেক চথরকপদা লৈখিদ্রবা হুথিগী পোলিটিকেল লিদর সলেহ অল-সমদকী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং লৈরোন চন্নবা থৌরম পাঙথোক্লিঙৈদা ইখঙ খঙহৌদনা নোংথক্তগী এটেক চথরকপনি হায়রি।

ইরাননা শৌগৎপা হুথি রেবেল-শিংনা সাউদি অরাবিয়াগী লুচিং মখাদা লৈবা মিলিটরি এলাইয়ন্সকা কুমজা ২০১৫ দগী অকনবা মওংদা খুৎ থোক্নদুনা লাকখি। য়েমেনদা থোক্লিবা লান অসি মরুওইনা ইরান অমদি সাউদি অরাবিয়াগী মরক্তা মুক্নরকপদগী থোরকপনি হায়না হিরম অসিদা নৈনরিবা মীওইশিংনা ফোঙদোকখি।

হুথি লালহৌবশিংনা য়েমেনগী কোনুং সানা অমদি সাউদি অরাবিয়াগা লোন্নবা মফম কয়ামরুম খুদুম চন্দুনা থম্লি। সাউদিনা লুচিংবা মিলিটরি এলাইয়ন্সনা য়েমেনগী লানদা শরুক য়ারকপদগী হৌজিক ফাওবদা মীওই ১০,০০০ রোম শিখ্রে।

# পাকিষ্টান্না দিফেন্সতা শেল থাদবগী চাং হেনগৎহনবগী ৱাফম য়াওবা বজেট পুথোকখ্রে

ইস্লামবাদ, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সি):
পাকিস্টানগী ফাইনান্স মিনিষ্টর মিফটাহ ইস্মেলনা মিলিটরিদা শেল হেন্না থাদবগী ৱাফম য়াওবা বজেট পুথোকখ্রে।

পাকিস্টান মুস্লিম লিগ- নৱাজ (পি এম এল-এন) না দিফেন্সতা শেল থাদবগী চাং হেনগৎহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপগী মতাংদা ওপোজিসন মেম্বরশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। জুলাই থাদা মীখল পাঙথোক্নবা য়াই হায়না থাজনরিবা পাকিস্টান্দা দিফেন্সকী চাদিং হেনগৎহনবগী থৌওং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ওপোজিসন মেম্বরশিং হাউসতগী মপান থোকখি।

হাউসতা লৈবা ওপোজিসন মেম্বর খরনা পোদিয়ম তম্না চঙশিল্লগা ফাইনান্স মিনিষ্টর ইস্মেলগী ৱারোল পীবদা অপনবা থোকহন্নবা হোৎনখি। চাইনানা হন্দক শেল চাউনা থাদরকখিবগা লোয়ননা লালহৌবগা মরী লৈনবা হাৎন-শুনবগী থৌদোক মশিং হন্থরকখিবা মরম্না পাকিস্টান্দা শেল-থুমগী ফীভম ফগাৎলকখি। চহী অসিগী জুন থা ফাওবদা পাকিস্টানগী গ্রোথ রেট চাদা ৬.২ য়ৌরবা য়াই হায়রি।

ইস্মেলনা হায়খি, কুমজা ২০১৮-১৯ গী ওইনা লুপা ট্রিলিয়ন ৫.৯ গী বজেট পুথোক্লে। কুমজা ২০১৭-১৮ গী ওইনা টেক্স খোমগৎপগী চাং চাদা ১৩.২ য়ৌখি। কুমজা ২০১২-১৩ দা ওইখিবা ফীভমদগী হন্দক্না টেক্স খোমগৎপগী চাং কা হেন্না ৱাংখৎলক্লি। চহী অসিগী ওইনা লুপা ট্রিলিয়ন ৪.৪৩ টেক্স ওইনা খোমগৎপা ঙম্লগনি হায়না ইস্মেলনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

হায়রিবা শেনফম অদুগী মনুংদগী লুপা ট্রিলিয়ন ১.১ দিফেন্সকা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা থাদগনি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা পাকিস্টান্দা পীরম্বা মিলিটরিগী তেংবাং লেপখিবগা লোয়ননা হন্দক চহীগী ওইনা হৌজিক ফাওবা শেনফম অমত্তা থাদরকপা লৈত্রি। পাকিস্টানগী লৈহাওদা ইস্লামিক টেররিষ্ট কয়া চঙজফম পীবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপা ওইনা পাকিস্টান দা য়ু এসনা পীরম্বা তেংবাং পুম্নমক লেপখিবনি। চহী অসিগী ওইনা বজেট দিফিসিটকী চাং চাদা ৫.৫ ওইরবা য়াই হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টরনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখি।



অমরোমদা, পাকিস্টানগী হ্যুমেন রাইটস গ্রুপ অমনা ইস্লামবাদ লৈঙাকপু পাক শন্না মীওইবগী রাইট খোঙ্গাওনৈ হায়না মরাল শিখ্রে। অফঘানিষ্টানগা লোন্নবা পাকিস্টানগী ঙমখৈদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা ইস্লামিক মিলিটেন্টশিংগা মায়োক্নবদা মীচম কয়া রাইট খোঙ্গাওনৈ। মরাল লৈতবা পাষ্টুন মীচম কয়া মফম খঙদনা মাঙখিবগা লোয়ননা মীচম হাৎপগী থৌওং চথরকপগী মতাংদা মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎখি।

## মীখলদা শরুক য়াদনবা খঙহল্লকখ্রে

চার্বুলক, এপ্রিল ২৮ (এজেন্সি):
অফগানিষ্টানগী খুঞ্জাশিং মীখলদা শরুক য়াদনবা টালিবান মিলিটেন্টশিংনা ফোঙদোরকখ্রে।

ওক্টোবর থাদা পাঙথোক্কদৌরিবা পার্লিয়ামেন্ট অমসুং দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীলগী মীখলদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা ভোট থাদবা য়ারোই হায়না টালিবানগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি। অৱাংথংবা বলখ প্রোভিন্সতা লৈবা কম্মলউদ্দিন কৌবা মীওই অমনা হায়খি, খুৎলায় মতিক চানা পায়বা টালিবান মিলিটেন্টশিং লাক্লগা মীওই পুম্নমক ময়ুমদগী হোয়দোক্তুনা পরেংশানা লেপহল্লবা মতুংদা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা মীখলদা শরুক য়াবা য়ারোই হায়না কিহনখি।

ওক্টোবর থা ফাওবদা ভোটর মিলিয়ন ১৪ রেজিষ্টার তৌনবা পান্দম থম্বগী মনুংদা হৌজিক ভোটর ৫,৬৮,০০০ মীখলদা শরুক য়ানবগীদমক রেজিষ্টার তৌরকখ্রে। মীচম মীয়াম্বু মীখলদা শরুক য়াহন্দনবগী পাউজেল পীবা ওইনা হন্দক্তা কাবুলদা মিলিটেন্টশিংনা এটেক চথদুনা মীওই ৬০ হাৎখ্রবনি।

HL-P/1149/28/29

OFFICE OF THE
TEMPLE OF LEARNING DEGREE COLLEGE (TOLDC)
KHA-NAOREM LEIKAI,NEAR M.U

APPOINTMENT NOTICE
The 27th April. 2018

No.1/MP/TOL-2007: Applications on plain paper are invited from the intending qualified candidates for the following posts.

| SL NO. | NAME OF THE POST | VACANCY | MINIMUM QUALIFICATION | EXPERIENCE |
|---|---|---|---|---|
| 1. | Accountant | 01 | B.Com/M.Com | Good experience in Tally, Excel with applied accounting knowledge |
| 2. | Computer Operator | 01 | Graduate | Minimum DTP typing speed 40 words per minute, Work experience MS Office Multimedia |
| 3. | Security | 02 | X passed | Good Physique Height: Minimum 5ft.5inch. (5'5") |
| 4 | Mali / Gardener | 02 | VIII/X passed | Good experience about Gardening with good health. |
| 5 | School Bus Driver | 03 | VIII/X passed | Well experience in driving Bus, Van, other 4wheeler,with good health & good eye sight |

Last date of Receipt of application : 03/05/2018
Date of interview : 04/05/2018
Time : 10:00 AM.

Sd/- Director,
Temple of Learning Degree College, Canchipur

HL-P/15067/29

সেন্ট্রেল বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া
सेन्ट्रल बैंक ऑफ़ इंडिया
Central Bank of India
1911 से आपके लिए "सेंट्रल" "CENTRAL" TO YOU SINCE 1911

ইম্ফাল ব্রাঞ্চ মণিপুর

পোজেসন নোটিশ
সিক্যুরিটি ইন্টর্সেষ্ট (ইনফোর্সমেন্ট) রুল ২০০২ গী রুল ৮(।) গী মখাদা

পোজেসন নোটিশ

মখাদা সাইন তৌজরিবা **সেন্ট্রেল বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী** ওথোরাইজ ওফিসরনা সিক্যুরিটাইজেসন এন্দ রিকন্সত্রক্সন ওফ ফাইনান্সিএল এসেটস এন্দ ইনফোর্সমেন্ট ওফ সিক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট এক্ট, ২০০২ গী মখাদা অমসুং সেক্সন ১৩(১২) গা লোয়ননা সিক্যুরিটি ইন্টরেষ্ট (ইনফোর্সমেন্ট) রুল, ২০০২ গী রুলশিং ৮ অমসুং ৯ গী মখাদা পীবা পৱারশিং শীজিন্নরদুনা দিমান্দ নোটিশ ইস্যু তৌখিবগা লোয়ননা **বোরোৱরশিং অমসুং গরেন্টরদা নোটিশতা** পল্লিবা শেনফম নোটিশ ফংলিবা তারিখতগী পারগা নুমীৎ ৬০ নিগী মনুংদা তুংগী ইন্টরেষ্ট অমসুং ইন্সিদেন্টেল চার্জশিং য়াওনা শিংদোক্নবা খঙহনখি।

বোরোৱর/গরেন্টরনা অতোনবা শেনফম শিংদোক্তবদগী, ওথোরাইজ ওফিসরনা মথক্তা পল্লিবা এক্ট অসিগী সেক্সন ১৩(৪) গা লোয়ননা মথক্কী রুলশিংগী রুল ৮ অমসুং ৯ গী মখাদা পীবা পৱার শীজিন্নরদুনা মখাদা পল্লিবা প্রোপর্টি অসি লৌশিল্লে হায়না বোরোৱর/গরেন্টর অমসুং মীয়ামদা খঙহঞ্জরি।

প্রোপর্টি অসিগী মতাংদা করিমত্তা দিল তৌনদনবা অমসুং প্রোপর্টি অসিগা মরী লৈনবা দিলিং খুদিংমক **সেন্ট্রেল বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া, ইম্ফাল ব্রাঞ্চকী** চার্জ মায়োক্নগনি হায়না মীয়ামদা মরুওইনা বোরোৱর গরেন্টরদা চেকশিন ৱা খঙহঞ্জরি।

| সে. নং. | বোরোৱর/গরেন্টর ব্রাঞ্চকী মিং | নোটিশ ১৩ (২) গী তারিখ অমসুং এমাউন্ট | সে. ১৩(৪) গী মখাদা পীবা পোজেসন নোটিশকী তারিখ অমসুং এমাউন্ট | প্রোপর্টিগী অকুপ্পশিং |
|---|---|---|---|---|
| ১. | **মি: খুরাইজম মোহেন্দ্রো সিংহ** অপোকপা য়ুমজাও সিংহ লৈফম: থাংমৈবন্দ কাব্রাবম লৈকায়, ইম্ফাল, ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, মণিপুর। **ডা. অমলা দেবী (গরেন্টর)**মপুরোইবা : খুরাইজম মোহেন্দ্রো সিংহ লৈফম থাংমৈবন্দ কাব্রাবম লৈকায়, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, মণিপুর | ২০.০২.২০১৮ লুপা **৩৯,৭৫,১১৪/-** তারিখ ২০.০২.২০১৮ দগী পাগদবা ইন্টরেষ্ট অমসুং অতৈ চার্জশিংগা লোয়ননা | ২৪.০৪.২০১৮ **লুপা ৪৬,৩৮,৩৬০/-** তারিখ ২৪.০৪.২০১৮ দগী পাগদবা ইন্টরেষ্ট অমসুং অতৈ চার্জশিংগা লোয়ননা | শ্রী খুরাইজম মোহেন্দ্রো সিংহ, অপোকপা য়ুমজাও সিংহগী মিংদা লৈবা লম অমসুং বিল্ডিংগী শরুক অপুন্বগী ইক্বিটেবল মোর্টগেজ। সী এস দাগ নং ২৩৯৯/২৫৯২, পাট্টা নং ৬১/৩০১, ৪৮ (পার্ট) (অরিবা) ৭৫৯/১৩০২ (অনৌবা) আই ঈ, তহসিল ওইবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, মণিপুরগী শওম্বুংদা লৈবা সব-রেজিষ্ট্রি ওফিসকী মখাদা লৈবা একর ০.১৬৫ পাক চাওবা লম। **তাইননা লৈবশিং :-** **অৱাংদা**- মাইস্নাম তোম্বা সিংহ অমসুং পুথেম সোভা সিংহগী ইংখোল **খাদা** - মোইরাংথেম অমলা দেবীগী ইংখোল **নোংপোক্তা**- ঙাংবম নবাগী ইংখোল **নোংচুপতা** - লোংজম থোইবগী ইংখোল |
| ২. | **মি: লাইশ্রম অজিৎ সিংহ, অপোকপা লৈখিদ্রবা এল সন্ধ্যাজাও সিংহ, লৈফম থাংমৈবন্দ পোলেম লৈকাই, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, মণিপুর** | ০৯.০৬.২০১৭ **লুপা ৪,৪৮,৯০২/-** ০৯.০৬.২০১৭ তগী পাগদবা ইন্টরেষ্ট অমসুং অতৈ চার্জশিংগা লোয়ননা | ২৪.০৪.২০১৮ **লুপা ৫,৪৯,৭৬২/-** ২৪.০৪.২০১৮ দগী পাগদবা ইন্টরেষ্ট অমসুং অতৈ চার্জশিংগা লোয়ননা | মি: লাইশ্রম অজিৎ সিংহগী মিংদা লৈবা দাগ নং ১২৪০/১৬০৮ অমসুং ১২৪০/১৬১৫ কে পি পাট্টা নং ৫৯/২৩ (পিটি) (অরিবা)/২৩/১০৯৬ (অনৌবা) ওইবা, ভিলেজ নং ৫৯, মৌজা- ওইনাম থিঙেল..., দিষ্ট্রিক্ট... ইম্ফাল ৱেষ্ট, মণিপুরদা লৈবা হেক্টর .০২৭৯ পাক চাওবা **তাইননা লৈবশিং**- **অৱাংদা**- ৱাই মঙ্গি সিংহগী ইংখোল, **খাদা**- এ ইবোহল সিংহগী ইংখোল, **নোংপোক্তা**- ৱাই এ সীগী প্লে গ্রাউন্দ অমসুং **নোংচুপতা**- এ পদ্মকুমার সিংহগী ইংখোলনা কোয়শিনবা লম শরুক অপুন্বগী ইক্বিটেবল মোর্টগেজ |
| ৩. | **এম/এস জে টি হার্দৱেয়র (প্রোপ-বিমোলচন্দ্র থাপা) অপোকপা চন্দ্র বহাদুর থাপা, চিংমৈরোং নেপালি বাষ্টি** | ১৪.০৮.২০১৭ **লুপা ৪,২০,৫৪৪/-** তারিখ ১৪.০৮.২০১৭ তগী পাগদবা ইন্টরেষ্ট অমসুং অতৈ চার্জশিংগা লোয়ননা | ২৪.০৪.২০১৮ **লুপা ৪,৪০,৫৪৪/-** তারিখ ২৪.০৪.২০১৮ দগী পাগদবা ইন্টরেষ্ট অমসুং অতৈ চার্জশিংগা লোয়ননা | মিং: বিমোল থাপাগী মিংদা লৈবা দাগ নং ৩১/৩৩১ কে পি পাট্টা নং ৬২/২৫৪ (অনৌবা/অরিবা পাট্টা নং ৭৬ (পার্ট) না কোনবা ভিলেজ নং ৯৭ চিংমৈরোং নোংচুপ, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট, মণিপুরদা লৈবা হেক্তর .০৭৮ পাক চাওবা লম অপুন্বগী ইক্বিটেবল মোর্টগেজ |

মফম : ইম্ফাল, তারিখ ২৮.০৪.২০১৮
**ওথোরাইজ ওফিসর, সেন্ট্রেল বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়া**